# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 15-03-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুর (বোসেম)না লৌবা ক্লাস টেন পরিক্ষা ঙসিদগী হৌরগনি। কুমশি চহিদগী হৌনা গ্রেদ সিষ্টেম চৎনরগনি।

২) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- অফবা লৈঙাক অমা হায়বসি মীয়াম্বু নুংঙাই য়াইফহনবা অমদি ত্রান্সপেরেন্ট ওইনা থবক তৌবা অদুনি।

অমসুং

৩) কেন্দ্রগী শিক্ষা রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ রাজকুমার রঞ্জন্না হায়রি- জি-ত্বেন্তিগী বিজিনেস মীফমনা অৱাং নোংপোক লমদমদা লল্লোন ঈতিক্কা মরী লৈনবা হিরম কয়াদা কান্নবা পীরি।

------

একজাম (এল)ঃ বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুর (বোসেম)না লৌবা ক্লাস টেন পরিক্ষা ঙসিদগী হৌরগনি। পরিক্ষা অসি এপ্রিল ৮ ফাওবা চথগনি। মসিদা পুন্না মহৈরোই লিশিং ৩৭,৭১৫ না পরিক্ষা থাগনি।

পরিক্ষা অসিদা সরকারগী মহৈ লোইশঙগী মহৈরোই লিশিং ৯,১১৯, এদেদকী লিশিং ১,৩১৫ অমসুং প্রাইভেট স্কুলগী মহৈরোই লিশিং ২৭, ২৮১ য়াওরি। পরিক্ষা অসিগীদমক পুন্না সেন্তর ১৫৪ লৈগনি।

ক্লাস টেনগী পরিক্ষা থাগদৌরিবা মহৈরোইশিংদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন, শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমার, বোসেমগী চেয়ারমেন অখাম

জোয়কুমার, ইজ্‌কেসন (এস)কী দিরেক্তর লাইশ্রম নন্দকুমার য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুপ কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- পরিক্ষা অসি মহৈরোইশিংনা ৱাখলগী অৱাবা য়াওদনা অমদি য়ামা নুংঙাইনা থাগদবনি। রাজ্য অসি হৌজিক তংদু লৈতাদবা ফিভম অমদা লৈরবসু মহৈরোইশিংনা মখোয়গী মহৈ মশিং অমদি পরিক্ষা নিংথিনা মায় পাকনবা হোৎনগদবনি। লুরবা তানফম অসিদা ওজাশিং অমদি মমা মপা ওইবশিংনসু মচাশিংবু মহৈ মশিংগী লমদা পুকিং থৌগৎপীগদবনি।

পাউজেল অমদা শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমারনা হায়- মহৈরোইশিংনা পরিক্ষা অসিগীদমক কন্না হোৎনগদবনি। হোৎনবা কনবা মহৈরোইখক্তনা তুংদা শোইদনমক্কী মহয় চাগনি। মসিগীদমক্তা রাজ্যগী ইজ্‌কেসন বিভাগনা অঙাম্বা থাক্তা মহৈরোইশিংদা মতেং পীরি।

কেবিনেট (এল)ঃ কুমশি চহিদগী হৌনা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুর (বোসেম)না লৌবা মেত্রিক পরিক্ষা অসি গ্রেদ সিষ্টেম ওইরগনি হায়না রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফমনা ৱারেপ লৌখ্রে। ৱারেপ অসিগী মতুংইন্না মণিপুর সরকারগী ইজ্‌কেসন (এস)কী জোইন্ট সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- সিষ্টেম অসিনা মহৈরোইশিংদা কা হেন্না প্রেসর পীবা হন্থহল্লগনি। মসিনা মহৈরোইশিংগী পার্ফোমেন্স হেনগৎহনবা ঙমগনি। সিষ্টেম অসিগী মখাদা বোসেমনা পীবা মার্ক ষ্টেটমেন্ট অমদি সার্তিফিকেটতা মার্ক উৎপগী মহুৎতা গ্রেদ পোইন্ট ওইনা উৎলগনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- মহৈরোইশিংনা ফংলিবা অপুনবা মার্ক, দিভিজন নত্রগা রেঙ্কনচিংবা উৎথোক্লরোই। শুপতগী পাস নত্রগা ফেল হায়বা খক্তমক থারগনি। সিষ্টেম অসিদা চৎনগদৌরিবা অসি মার্ক ৯১ দগী ১০০ ফাওবগী মনুংদা ফংবা মহৈরোইশিংনা গ্রেদ পোইন্ট ১০ ফংদুনা এ-ৱান গ্রেদ পীগনি, মার্ক ৮১ দগী ৯০ ফাওবগী মনুংদা ফংবা মহৈরোইশিংনা গ্রেদ পোইন্ট ৯ ফংদুনা এ-টু গ্রেদি পীগনি। মার্ক ৭১ দগী ৮০ ফাওবগী মনুংদা ফংবনা বি-

ৰান পীগনি। ফেল ওইবা মহৈরোইদনা ই-ৰান অমসুং ই-টুগী গ্রেদ ওইগনি। মার্ক ২১ দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা ফংবনা ই-ৰান অদুগা মার্ক জিরোদগী ২০ ফাওবগী মনুংদা ফংবনা ই-টু ওইগনি হায়রি।

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- অফবা লৈঙাক অমা হায়বসি মীয়াম্বু নুংঙাইহনবা অমদি ট্রান্সপেরেন্ট ওইনা থবক তৌবা অদুবনি।

রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগনা শিন্দুনা মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রিনা ফরতিলাইজর মেনেজমেন্ট সিষ্টেম হৌদোক্লদুনা হায়- মীয়ামদা হার নিয়ম চুমা ফংহন্নবগী পান্দমদা সিষ্টেম অসি হৌদোকপনি। সিষ্টেম অসিনা হারশিং কদাইদা চৎলি, সরকারদা হার কয়াম লৈরি অমদি মমল কয়া ওইগনি হায়বনচিংবশিং খঙবা ঙম্লগনি।

থৌরম অদুদা, লৌউ শিংউ মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎ য়াওনা অতৈ মন্ত্রিশিং, এম.এল.এশিং অমদি সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

রঞ্জন ঃ কেন্দ্রগী শিক্ষা রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ রাজকুমার রঞ্জন্না হায়রি- লৈবাক অসিদা পাঙথোকখিবা জি-ট্বেন্তিগী বিজিনেস মীফম কয়ানা মপুংওইনা অৰাং নোংপোক লমদমদা লল্লোন ঈতিক্কা মরী লৈনবা হিরম কয়াদা হেন্না ভাব তাহনবা ঙমহল্লে। মসিনা লমদম অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লীচিং মখাদা অনৌবা ভারত অমা ওইহন্ননবা হোৎনরিবা খোঙথাং অসিবু মায় পাকহন্নবগীদমক মপান লৈবাক্তা লৈবা ভারত মচাশিং অমদি শকাইরবা মীওই কয়াগা লেপ্তুনা উন্নরি অমদি তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগা ভারতকা অফবা মরী থমনবা সরকার অসিনা খোঙথাং কয়া পায়খৎলি।

গভর্নর (এল)ঃ নবার্দকী দি.জি.এমনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমগা ঙরাং রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগা উন্নদুনা ষ্টেট ফোকস পেপর ২০২৪-২৫ রিলিজ

তৌনবা হায়জখি। উন্নবা অদুদা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরক্লিবা মীওইশিংগী য়াইফ থৌরাংগীদমক পায়খৎলিবশিংগী মতাংদসু পাউদমখি।

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অপুনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্দ্বগী থবক লেপ্পা লৈতনা চখ্ররি। মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ইরাং লৈবা অমদি চীংগা তাইনবা মফমশিংদা ঙরাং অপুনবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা থিবা হুন্দ্বগী চখ্রখি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- নেসনেল হাইৱে নম্বর থার্তিসভেন ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ১৬৬ অমদি নেসনেল হাইৱে নম্বর-টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা গাড়ি ২৯৮ অকনবা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল তমা চংলকখ্রে। গাড়িশিংগী চৎথোক চৎশিনদা অয়েৎ অপন লৈতনবগীদমক মখা তানা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

মেলা (এল)ঃ এগ্রিকলচর অমসুং হোর্তিকলচরগী পোথোকশিং উৎপা মেলা অমা ঙরাং নোনে জিলাগী তুপুল বজারদা কম্যুনিতি হোলদা পাংথোকখ্রে। থৌরম অসি গুদৱিল গ্রুপ ফোর রুরেল অরবান দিভলপমেন্টনা নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিলগী তেংবাংগা লোয়ননা শিনবনি। থৌরম অদুদা তমেংলোং অমসুং নোনে জিলাগী হোর্তিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জার্ভেসনগী ওফিসিয়েল য়াওনা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি। মদুদা ষ্টোল ৪০ হেন্না হাংখি।

দেঙ্গি (এল)ঃ মেলেরিয়া দিপার্টমেন্টনা ঙরাং ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কাং হিদাক কাপথোকখ্রে। মেলেরিয়া, দেঙ্গি অমদি অতৈ কাঙনা চিকপদগী ওইহল্লকপা খুদোংচাদবশিংদগী ঙাকথোকবগী পান্দমদা চেকশিন থৌরাং অসি লৌখৎপনি হায়না ষ্টেট অরবান মেলেরিয়া য়ুনিতকী মাইকৈদগী ফোংদোরক্লি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুর ইদিসনদা- লৈবাক অসিগী ১৮ শুবা লোক সভা মীখল পাঙথোকবা থৌরাং লোইশিল্লকপগা লোয়ননা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী হাংদুনা লৈরিবা কম্মিসনার অনি হাপখ্রে হায়বা পাউ অসি ফোংলি।

সনালৈবাক পাডচেদা- মেত্রিক একজাম চহি অসিদগী গ্রেদিং সিষ্টেম চৎনরগনি। পোজিসন অমদি দিভিজন লাউথোক্লরোই হায়বা পাউ অসি ফোংলি।

পোকফমদা- পিছ টোল্ক চথুরিবা লুপকী লুচিংবশিং ফাজিল্লগদি মণিপুরদা শান্তি লাকপা ঙমলোই হায়বা হান্নগী দি.জি.পি- ৱাই. জোয়কুমারগী ৱাফম অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা- লাঞ্জেন্নরিবা মহৈরোই লিশিং অমরোমনা শরুক য়াদুনা ঙসিদগী ক্লাস টেনগী পরিক্ষা হৌরগনি হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলে।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- তম্পাক্কী এম.এল.এ-মিনিষ্টরশিংনা কুকি এম.এল.এ-মিনিষ্টরশিং অনিরক উন্নখ্রে, নাগা মিনিষ্টর এম.এল.এশিংনা কুকিগী সি.এস.ও, মৈতৈগী সি.এস.ওশিং উন্নরি। অথুবদা শান্তি লাক্লগনি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর নিউজদা- অসাম নত্তনা নোর্থ ইষ্টতা সিতিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট চৎনবগী ৱাফম লৈতে হায়বা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- ফাজিনখিবা কাদরশিং থাদোকবা সেন্তরদা খঙহনখিবা লৈরে হায়বা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- হাইস্কুল লিভিং সার্তিফিকেট একজামিনেসনদা গ্রেদিং সিষ্টেম ওইননবা কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে, দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস মখা তানা চৎননবসু কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- কাংপোকপী অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাদা পাক শন্না ওপরেসন চথখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মোর্নিং বেলদা- নাগালেন্দগী তুরিজম মন্ত্রিগা মণিপুরগী রাজ্যপালগা উন্নদুনা মণিপুরদা শান্তি পুরকবগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়না অহাবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা- মুখ্য মন্ত্রিনা ষ্টেট ইন্সটিট্যুট ওফ হোতেল মেনেজমেন্ট শঙ্গাখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- ফাখিবা মীওই অহুম ২০২৩ গী এন.আই.এগী কেস অমগা মরী লৈননা ফাবনি হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সাপ্রেসতা- ক্লাস টেনগী বোর্দ একজাম ঙসিদগী হৌরগনি হায়না ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- য়ু.পি.এস.ই পরিক্ষাগী সেন্তরশিং মণিপুরগী মফম অতোপ্পদসু হাপ্পীনবা হায়দুনা জোমি ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন্না দিল্লি হাই কোর্টতা চৎখ্রে হায়না ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- ঙসিদগী হৌগদৌরিবা মেত্রিক পরিক্ষা অসি তেক্তা কায়দনা পাঙথোকবগীদমক তমেংলোংগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা প্রোহিবিটরি ওর্দরশিং থোকখ্রে হায়না ফোংলি।

------